# লোন্থোক্তবগী লোন মরুমদা মীচঙ মীখায় নাইবা - লৈকংলা ওল্লো হায়রিবরা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ঐগীসি লৈপুং ফম্বগী ৱারী হায়বদুনি। কনাগুম্বী কনাগুম্বগী পুন্সিদা থোকপা থৌদোক্কা মান্নরম্বই ৱাদি খঙদে, ঐগী ওইনদি ৱারীনি। খুঙ্গং অমদা ইমুং অমা লৈরম্মী হায়। মচা নুপা-নুপী খরা য়াম্বজাৎনি। চাবা থকপা মনীং ইথুং থুংনদবা, লায়রবা ইমুংনা মশীং য়াম্বা মতমনি হায়। ৱারীদা য়াওরিবা ইমুংসিসু মচা ময়ামদুগা য়ৌ য়া য়ৌ য়া খৎনবা, ফূনবা, লাউনবা মিনিটকা কাংদবজাৎনি। মখোয়বু পোকপা অপোকপদুদি মমিংগী ইপা লৈরি হায়বদুখক্তি। মশাদা অনাবা মতৎ অমা ফাওবা লৈবা নত্তে। অদুবু থায়নগী ইয়োংদা শাবা মৈখু মচু লোল্লবা কাঙ, হয়িং ফাওবা তোংলুবগা ৱান্থহনবা ঙম্বা কাংখল মনুংদুদা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং অদুম মোন্দ্রং শান্নদুনা লৈ হায়। ফমুংদু মীনা থাংখিদরা পাখৎপগীরা কতনলাই চুবগীরা তাংদাংবদুমদি খঙদ্রে। মাগী লোয়নবীদুদি মপুরোইবগী অমদি মচা ময়ামদুগীদমক তাইবঙ মপুনা থাবীরকপনি হায়নৈ। ময়ামদুগী হোৎনবদা ৱাই শংনা নে-না তানা ফম্লগা বিড়ি মচৈ অমা তুম্বা ফাওবা থকপা ফংজদবীনি। মীঙোন্দগী পুরু নিরুদৌ শরুক থবক শূজরগেদনি, থবক্তা চিলহাউ থিবী নুপী নত্তে। নোংমা লোয়নবীদো থবক শূরুবগী ৱানা হল্লকপদা মচানুপা অনী ফূনরম্মী হায়। ফূনরিবদু মপাগী ফমজাউ ফম্মাঙমক্তা ওইরবজাৎনি। শাউগনখিদ্রবা লোয়নবীদু খাঙবা ঙমদ্রমাল্লে কপঙাঙ ঙাঙলগা ৱাকৎলকখিমাল্লে অসুম্না-

*পেল্লেদকো পেল্লেদা! শিগৈজনশা নোয়দা’ শিগে শিখ্রোনহে! মপামক্কী মওংসিগা ঐ পূমখা খারবনি! খারে, হু তরেৎ তিনবগুম খারে! পুল্লো ফমুংদুদা অদুম পুল্লগা লৈরো! নচাশিংসে নমাঙমক্তা হাৎনরফাওবা কাংখল মনুংদুদা মোন্দ্রংলাই চুদুনা অদুম লৈরো।*

ফমুংলাকপা মপুরোইবদু তূমিন্না লৈশিনবা য়ারক্ত্রমাল্লে, খৌদেম্লকখি। মোন্দ্রং কায়রবগীরা নৎত্রগা লোয়নবীনা শাউরকপদুনরা খঙদে তন্দে মোন্দেননা কুম পুরবা পোমথা হৈথানরবা পোম্ফি মনুংদগী মখূৎ খূৎচাউ অনীদু তপ্না শত্তোল্লকখি। কাংখলদু য়াম্না লিক্লা হাইদোরক্লগা হায়রকখি -

*হায় মকু মীৎলাওবা নঙসু উতীন ঈশিংদা তারুবা মানবা নঙসু কোয়রাঙ লাঙগনু তানীংদেনে, মীৎকুপ অমা পোখাফম খঙহন্দবনি।*

লোয়নবীদু হায়ফম খঙদে, চৈ অমা পায়রগা মচা অনীদু কিহল্লি। ফূনবগী মরমদু করিসু ওইরমদে। য়োংচাক মরূ মুন্নবগীনি। তশেংবদি ময়াম্বদুমক্তি লাঞ্জদবজাৎনি। মনাউনুপাদুনা য়াম্না পাম্মুজনা খাক্তুনা থমজবা মরূ অহুমখক অতোপ্পা ময়াম্বা অমনা লোন্না চাথোকখিবজ াৎনি। তাইনবনা অমদা তাইনবদুদা তীং শোকখৈ শাউবা মশানা তাবনি। চাথোকখিবদুমদি লৈকায় কোয়বা চৎখ্রবনি। কনাসু খঙহৌ উহৌবা নত্তবনা অনীদুনা পঙফূদা ফূনবনি। মমাগী চৈদু কিবদগী ফূনবদি লেপখ্রে। চীনগী লান্দি অদুম্মক চথুখি। মপাদু তূমিন্না লৈশিনবা ঙমদ্রবগীরা লোয়নবীগী খোন্থী চানীংদবগীরা কাংখল হাইদোল্লগা ৱায়েন ৱারেপ লাউথোরকখি -

*উতিন ঈশিংদা তারুবা মানবা থীবোঙজাউ নঙনা লাল্লি।*

মপানা অদুম্না হায়রকপদুদা ময়াম্বদু প্রোক প্রোক চাল্লম্মী। মানা চারুদবা মরম্না মরান থঙজিনবদু শুংয়া য়ানীংলমদে। মীচং মীখায় নাইবা মপাগী ৱায়েন্দুদা ওন্থোক্লা পেঞ্জখিদে। মবূক্লিং নুংশিবগা পেন্দবগনা ফুনগৎলম্মী। শূৎ-শূৎ কপ্লগা থোকখি হায়। থোক্লমদাইদুদা ফমুং ফমজাউদুদা খুদোম্বী থিল্লগা অসুম্না হায়রম্বমাল্লে-

*নঙনা নচা মকু মীৎলাউবগী মীচঙ চঙবা, ঐনা হয়েং চাউরগা নঙ থাঙনা য়াল্লগা হাৎকনি।*

মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু চপ মান্ননা য়েংই হায়রগসু অচান মীরায় নাইবগী ৱাফমসি হেক হেক পুথোক্লে। মখোয়গী ওইনদি লৈতে হায়, লৈরমদৌসু মান্দে। তৌবতবু নিংঙাই চাউবা মচিং মশোন লৈবা মচাশিংগী মনীং থুংহন্নবা মপা মপাশিংনা হোৎনৈ হায়বসিমদি থেংনরকপা ময়াম্না খুদম ওইরি। মচিন মনাউ থবী হেকপগী ফুঙ্গা ৱারীদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংদা শাথীনা অচান মীরায় নাইবা নাকল নামতগী ৱা লৌবগী মতাং ফাওবা য়াওরি। মচিন মনাউ থবী হেকপা চৎপদা মনাউ নুপীনা চক্রি নিংঙাই তৌদুনা শারেং উমাইবী শান্নসি হায়রম্মী। মচেদুনদি য়াজখিদে। অদুবু মনাউগী চক্রি নিংঙাইনা ঙমদুনা মনাউবু ফৈবম্নলা পল্লগা ঈশিংদা লুপশিন্দুনা শান্নবদা মনাউ অদু শারেংনা য়োৎখিরম্মী। মমানা লোং খোনবদা শারেং অদু য়াওরক্লম্মী। শারেং মবুক অদু চাউমল্লি হায়দুনা লেনখায়দুনা য়েংবদা মচানুপী অতোম্বী অদু য়াওরম্মী। মচেনা মাবু ঈশিংদা লংথরম্বনি হায়না শেরান্নবা পাউদম মমাদা তল্লম্মী। পাউদম অদুনা মরম ওইরগা লাঞ্জদবী মচেবু মমা মপানা মাঙ্গোল উখোকতেন্দা পুল্লগা থল্লম্মী। মনাউ নুপীনা মনাক্তা ঙা শারেং থোংবদু মতুম মতুম থাংথদুনা চারম্মী। মদু উবদা মচেনা হায়রকখি -

*ইনাউ শারেং মতুম অমখক্তা চাগেবা।*

মচেনা হায়বদু মনাউনা মমাদা তল্লম্মী। মদুদা মমানা হায়বা মতুংইন্না মনাউনা মচেগী মকোক্তা তেঙ্গোৎনা কোক লাউনা থাজিনখি। অসুম্না মমা মপা অমা ওইনা মচা অনীবু চপ মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙমদবা অমদি মাগী ৱাবু মনাদা হাপ্পীদবা মমা মপাগী থৌদৌ অদুদা মচে অদু অদুক্কী মতিক পেঞ্জখিদে। কাইনথংদা উচেক লাংমৈদোং ওল্লগা উচেক শঙ্গুলক্তা তিনখি।

মচা ওইবশিংবু চপ মান্ননা য়েংদবগী ৱাথোক ঐখোয়গী মালেম নোংখোঙ কোয়বগী মিথতসু য়াওরি। গুরুনা হায়বা মতুংইন্না অতিয়া শিদবা অমদি অশিবনা মালেম নোংখোঙ তরেৎলক কোয়বা চৎখ্রিঙৈদা মমাগী পাউতাক মতুংইন্না গুরুগী ফানখোঙ তরেৎলক কোয়খিবা মপারী অতোনবনা মপা খঙবা পাখংবা মিংথোন লৌদুনা ফম্বাল তোংখি। গুরুগী য়াথং মায় পাক্লা পাঙথোক্লুরবা অশিবনা হল্লকপদা ফম্বান্দি মনাউ নুপানা ফম্লম্বা উবদা শাউবনা মৈ হৌরবা অশিবনা পাখংববু হাৎকে হায়না তান্নবগী ৱাথোক থোকখি। লাই-তীল থাজ ৱারী ওইরবসু লৈঙাক্লোন্দা মীচং মীখাই নাইবগী থৌদৌনা পামদবা থোকহৈদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপসু য়াই তাকপনি। ঙসিদি ঐখোয়না চিংনরি মদুদি ঐখোয়গী ইমা ইপাসে ঐখোয়বু পোকপীবা অশেংবা নৎত্রমাল্লে। অমুকসু খোয়রাংই, উরিৎ নাপঙবীদো ঐখোয়গী ৱা শুংতা হেক তাবীদবসিদা। মীচঙ মীখাই অচান মীরায় নাইবা মানবা মতৌসিদবু করম্না ঈংথবা ঙমগদৌরিনো? তূমিন তূমিন থনুংদা ঙাঙলিবা লোনথোক্তবা মখোয়গী থম্মোয়দা লোল্লিবা লোনগী মরুমদা মীচঙ মীখাই নাইবগী মতৌ অমদি য়াওবগুল্লি। অশেংবা খঙবা ঙমদনা লৈরিবা ঐখোয়বু অমদি ইমা লৈবাক মণিপুরবু লৈকংলা ওলহনগদৌরিবরা, লাঙতক্লুরবা থম্মোয়গী ৱাহংনি। ●

# লৌবুক্তা অমদি ঈথৈ লৌখোংদা ঈশিং মতম চানা ফংদবগী লৌ পানবদা অৱাবা মায়োক্লুরি : ফার্মর

-বিজয় লাইশ্রম -

লমদম অসিগী লৌমীশিংনা পাল্লিবা অসি  পাম্বীশিংনা মথৌ তাবা ঈশিং মতম চানা ফংহনবনি। চহী অমগী কুমগী নোং মতম চানা তারক্তবা মতমদা ঈথৈ লৌখোংদা ঈশিং মতম চানা ফংহনবগী খুদোংচাবা লৈরগদি সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু) গী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা অফবা মখলগী ফৌশিং থারগদি পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি হায়না কৈরাও এ সীগী মনুং চনবা অরাপতি মনীং লৈকায়দগী ফার্মর য়ূম্নাম নবা মৈতৈনা পাউচে অসিগা উন্নবদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী লৌফম অসি অরাপতি লৌকোনগী মনুংদা লৈবনি। মহাক্লা থারিবা ফৌ অসিনা থাংজিং হায়বা ফৌ মখল অসিনি। লৌ শঙম অমদা ফৌবোৎ ৩৫/৩৬ রোম থোকই। থাংজিং হায়রিবা ফৌ মখল অসি ঐখোয়গী ইপা ইপু হাক্তক্তগী থারকপনি। মাগী ফৌ হুনবদগীনা লোকপা ফাওবগী মতম অসি থা অহুম খরা হেন্না চংই। হায়রিবা ফৌ মখল অসি চাকসু লেক লেক লাওনা থোৎলি, মহাওসু লৈ। মসি থায়নগী অহলশিংনা থানরম্বা মোইরাং ফৌ অদুগী চেঙগা হায়রপ মহাও মান্নৈ।

অদুবু হন্দক লৌ উবা অসিদি লান মনুংদা লৌ উবগা লোয়ননা মণিপুরদা তারিবা কুমগী নোং অসিসু মহৌশাগী তাফম থোকপা নোংজুগী চাং অদু য়ৌনা তাদবনা হৌখিবা চহী খরা অসি ঈথৈ লৌখোংদা অমদি লৌবুক্তা ঈশিং মথৌ তারকপা মতমদা লৌমীশিংনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা তোয়না মায়োক্লখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা হন্দক্কী পাল্লিবা লৌ অসি ত্রেক্টরনা লৌওন অহুম মরি ওন ওন্দুনা কারন লাক্তুনা খোয়রবসু নোং য়াম্না তাদবনা লৌবুক্তা ঈশিং তুংদবনা মরম ওইদুনা মতম চানা লৌহোন হুন্দুনা লিংথোক্লবা খুদোংচাবা কয়া ফংখিদে। অদুবু মতমনদি কনাসু ঙাইবীয়ু হায়বা য়াদবনা ইঙেন থাগী কাং মনুংদা ফৌ অসি লৌবুক্তা কংনা হুল্লগা লাইবক য়েংবীদা থাখিবনি। অরাপতি লৌকোল অসিগী খা থংবদা চেল্লিবা ইরিল তুরেল অমদি অৱাং থংবদা চেল্লিবা ইম্ফাল তুরেলদগী লৌমীশিংনা ঈশিং চিংখৎনবা হোৎনবদা তুরেলসু ঈশিং য়াম্না লৈতবদগী অৱাবা মায়োক্লখি।

অদুবা য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ইম্ফাল তুরেল অমদি ইরিল তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা কেনেলদা ঈশিং থাদদুনা লৌকোন অসিদা মীয়াম্না লৌ পান্নরি।

অদুবু খরা কাংথক নাইবা লৌফমদদি ঈশিং অসি কাবা ঙমদদুনা লৌ পানবা হৌজিক ফাওবা য়াদবা য়াওরি। ইম্ফাল বরাজগী দাম অসি মরী লৈনবা লোইশঙ হায়বদি ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টনা খরা ঙনখৎনা থিনগৎপীরগদি লৌমীশিংদা য়াম্না খুদোংচাবা ওইরম্বা য়াবনি। দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল বরাজগী দাম অসি মতম চানা থিংগৎপীদবনা লৌমীশিংনা ঈশিং



লৌফম লৈতবদগী লৌ পানবা য়াদদুনা লৈবনি। চহী খরগী মমাঙদসু অরাপতি লৌকোল অসি লৌমীশিংনা দবল ক্রোপ্পিং তৌনবা ঈশিং খরা ফংলিঙৈ মতমদা লৌহোন হুন্দুনা নিংথিনা থৌরাং লৌখৎখ্রবসু লৌ লিংলমদাইদদি নোং য়াম্না লীকখিবনা ইম্ফাল তুরেল অমদি ইরিল তুরেল অনী অসি ঈশিং লৈতবদগী লৌ পানবা য়াদনা তোকখি।

মতমদুদসু অঙনফৌ থানবা থৌরাং তৌরুবা লৌহোনশিং অদু মণিপুরগী অতোপ্পা মফমদা লৈবা লৌমীশিংদা পীথোকখি। মরম অদুনা ইম্ফাল বরাজগী দাম অসি মতম চানা থিনগৎপা অদুগা ঈশিংগী ঈমাই য়াম্না ৱাংখৎলবা মতমদা থাদোকপা মথৌ তারি। মাগী লৌফম অসিদা চহী খরগী মমাঙদসু দরম ফৌ থাদুনা চাংয়েং তৌখ্রে। মদুদসু ফৌ অসি ফজনা অদুম থোকই হায়রি।

লৌকোন অসি চাওরাক্লা লৌ পরি ৩০০গী মথক্তা লৈবা অচৌবা মফমনি। মীওই খরনসু ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং অসি চিংখৎলগা লৌ পান্নরি। মহাক্কী লৌবুক্তা থারিবা থাংজিং ফৌ অসি পেংবা লোইরগা হন্দক্কী ওইনা ফৌ শঙম অমদা য়ুরিয়া কেজি ১০, সুপর কেজি ১০, দাইমন্দ কেজি মঙা অমদি পোটাশ কেজি মঙা চাইখ্রে। হন্দক্তি ফৌ অসি কংনসু হুনবা অমদি ঈশিংসু খরা থেংনা থাজিনবদা ঙাইরি। মমাঙদদি লৌ অসি হুনখিবা নুমিৎ ২০গী মতুংদা হার খরা চাইবনি। অদুবু  হন্দক্তি ফৌ অসি কংনা হুনখিবনা হারদি চাইখিদ্রে।

মহাক্কী লৌফম অসিদা ইপা ইপুগী মতমদগী শীজিন্নরম্বা ষন্থি খরদি হাপখি। অদুবু ষন্থি তাখিবা মফমশিংদি লৌ অসি য়াম্না ফৈ। চাথোকসু য়াম্না লৈ। ষণ য়াম্না লোয়নদ্রবনিনা ষন্থিসু য়াম্নদি ফংদ্রে। ষন্থি খুনবা চৎপদা বোড়া অহুম/মরিদি ফংই। যূমদা চানবা থারিবা মনা-মশিং অসি ষন্থি অমদি উৎ-ৱাই তোৎখায়রগা পোৎ থাবদা য়াম্না ফৈ। হৌজিক থারিবা ফৌ পান্বী অসিদা লায়না তীলনাদি কয়া তাদ্রি। অদুবু তীল হঙ্গামপাল অমনা ফৌগী ফৌনাদা কোনশিল্লগা লৈবা য়াওবা থেংনরে। ফৌদা তারিবা তীল অসি হাৎনবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী এক্সপার্টশিংগী মনাক্তা চৎলুবদি তৌদ্রে। অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লংদুমদগী মশাদি ত্রেনিংনচিংবসু হান্না চৎলুরবা মাগী মনাক্তা ফৌ মনা তীলনা চিকপা অদু য়েংহল্লগা মঙোন্দগী তীল হীদাক লৈরগা লৌমী অয়াম্বা শীজিন্নৈ হায়রি। অদুবু য়ারিবমখৈ মখোয় মীওইবগী হকচাংদা শোক্কদবা তীল হীদাক্তি শীজিন্নদে হায়না ফোঙদোরকখি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **“লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“খুদোল্লে”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“ৱাধরিং হাইটস”** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **“লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভান্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি”** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“অশিবা হুরানবা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা  খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মোরেদা কুকিশিংনা য়ুম মৈ থাবা হৌরকপদা অসাম রাইফলসনা মখল অমত্তগী অথিংবা পীখিদে

## হকথেংনবা পাউদম

### মোরেদগী লাঞ্জেল্লকখিবা খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) :** মে থাগী ৩ দগী হৌরগা থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখ্রে। মোরেগী খুঞ্জা কয়াসু কুকিশিংনা ময়ুম মকৈ তুম্না মৈ থাদোকখিবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারগী শরুক খরদা মথ্বায় হিংনবা চংজফম লৌদুনা লৈরি। ম্যান্মারগী শরুক অমদা থা ৩ লোম লৈরুরবা মতুং ইম্ফালদা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা য়ৌরকখিবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৬ তগী লাইরেনলাকপম অকাশ (২৮) না ফোঙদোরকখিবদা মে থাগী ৩ দা কুকিশিংনা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা হৌরকখিবা মতমদা মফমদুদা লৈরিবা অসাম রাইফলসশিংনা অথিংবা অমত্তা পীখিদে। করিগুম্বা অসাম রাইফলসনা থোরক্তুনা কুকিশিং অদুবু থীংলল্লবদি মোরেদা লৈরিবা মীতৈশিংগী য়ুম খরদং ওইরবসু কনবা ঙল্লমগদবনি হায়খি।

পাউ-চে অসিগা অখন্ননা উন্নখিবদা মহাক্লা হায়, এ আরনা মখোয়বু তেক্তা কায়দনা পল্লেল তান্না থিল্লকপগীদমক্তদি থাগৎপা ফোঙদোকই। অদুমওইনমক মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অসি করিনো হায়বা ঐখোয় খঙবা ঙমদ্রি। মোরে ৱার্দ নম্বর ৪ প্রেমনগর লৈকাই হায়রগা খঙনরিবা মফম অসি ঙমখৈগা হেক থংননা লৈবনি। হায়রিবা মফম অসি নুমিৎ খুদিংগী অসাম রাইফলসনা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু মে ৩ ইরাং হৌরকখিবা নুমিৎ অদুদা হায়রিবা ঙমখৈগী শরুক অমত্তদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমত্তা লৈবা উখিদে। কুকিশিংনা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থারবা ফাওবদা এ আর পার্সোনেল অমত্তনা মীতৈশিংদা মতেং পাঙখিদে। য়াম্না ঙক্লিবদি অসাম রাইফলসকী কেম্পকা মীতৈগী য়ুমগা থংননা লৈরিবনি। মীতৈগী য়ুমশিং কুকিশিংনা মৈ থাখ্রবসু মখোয়গী কেম্পতি করিমত্তা অমাং অতা থোকখিদে। মসিনা মরম ওইরগা ৱাখলদা চিংনবা কয়া ফাওই হায়খি।

মহাক্লা হায়, নুমিৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদু মঙগুম্বনি। নুমিদাংৱাইরম ওইরকপদা লাই হরাওবা লোইশিল্লকপগী মুক্লা য়েংবা চৎনবা হায়দুনা ইরুজরিঙৈদা মোরে কৈথেলদা কুকিশিং থোরক্তুনা মীতৈশিংগী পোৎফম অমদি দুকান থুগাইরে হায়বগী পাউ তাখি। পাউ অদু তাবদগী মোরে কৈথেলদা দুকান ফম্বা মবাইশিং থোকপা অমদা ফোন তৌদুনা হংলুবদা ৱাফম অদু অচুম্বনি ঐখোয়সু করিনো হায়বা জ্ঞান তাদে, মীতৈশিংগী পোৎফম অমদি মখোয়না থুগাইরিবা অদু য়েংবা নত্তনা পাম্বৈ লৈতে হায়রকখি। লোয়ননা কুকিশিংনা মখোয়গী ওইবা মরোলদা মীতৈ লৈবা য়ারোই, মীতৈগী পোৎ-চৈ পুম্নমক থুগায়গনি লাউখি হায়না মবাইনা মখা তানা খঙহল্লকখি। কুকিশিংনা পোৎ-চৈ অমাং অতা থোকহল্লকপা মতমদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পুনা তানখাইনবা হোৎনখি অদুবু তানখাইবদি ঙমখিদে। লাপ্তক্লা য়ুম মৈ চাকপগী মৈখু চাওনা কারকপা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা উখি। পাউ লৌবদা কৈথেল মৈ থারে। পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা লৈবা টিকেন্দ্রজিৎকী মীতমসু মৈ থাখ্রে হায়বা খঙখি। পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা ফাওবা মৈ থাবা ঙল্লবনিনা মখোয় মফমদুদা লৈবদা খুদোংচাররোই হায়না খনখি। অদুবু অসাম রাইফলস লৈবনিনা ঙাকপীরক্কনি হায়বগী থাজবদি থমখি।

ঙাইহাক লৈরগা নোংমৈ মখোল তাবা হৌরে, অদুবু অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমত্তা থোরকপদি উখিদে। মদুনা মরম ওইরগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারদা ঐখোয় থৱায় হিংনবা চেনশিনখিবনি। মখোয়না



মোরেদা কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা মৈ থাদোকখ্রবা মীতৈগী য়ূমশিং

ম্যান্মারদা চেনশিনখিবা মতমদা ঙমখৈগী শরুক্তা এ আর অমত্তা নুমিৎতুগী ওইনদি লৈরমখিদে। অমরোমদা ম্যান্মারসু হৌজিক হৌজিক অকনবা ইরাং থোক্লিবা মরম্না করি তৌগদগে খনবদা তৌফম খঙখিদে। ম্যান্মারদা চংলবা মতুং খঙন চান্নবগী য়ুম অমদা চংজফম লৌখি। অদুবু মতম শাংনা মফমদুদা লৈবদা খুদোংচাদবদগী ইম্ফালদা লাক্লবা খন্নখিবনি। থা ৩ রোম ম্যান্মারগী শরুক অমদা লৈরবা মতুং অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবশিংগা পাউ ফাওনদুনা মফমদুদগী লৌথোকপীনবা হায়জখি। তুংদা অসাম রাইফলসকী গাড়ী খরা লাক্তুনা মখোয়বু ঙমখৈগী শরুক্তগী লৌখৎলগা মোরেদা লৈবা কে এল পি কেম্প হায়রগা খঙনরিবা এ আরগী কেম্পতা পুখি। কেম্প অদু য়ৌরবা মতুং এ আর পার্সোনেলশিংনা ঐখোয়না পুরকখিবা বেগশিং চেক তৌখিবগা লোয়ননা হকচাংসু চেক তৌখি। লোয়ননা এ আরশিং অদুনা নখোয় মতৌ করম্না ম্যান্মারগী শরুক্তা চংশিল্লগা লৈরুবনো। ইরাং হৌরকপা মতমদা করি মরমগীদমক মফম অসি থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চৎখিদ্রিবনো হায়না হংখি। মদুদা মখোয়না খল্লম্বা ৱাখল্লোনশিং অদু চপ চানা পাউখুম ওইনা পীখি। মোরে থাদোক্লগা ঐখোয় চৎনিংদে। ইরাং অসি নেমথরক্কদ্রা হায়দুনা ঐখোয় মতম খরা ম্যান্মারদা চংজফম লৌদুনা লৈরুবনি অদুবু থা ৩ রোম ইরাং অসি লোইশিনবা ঙমদনা লৈরবনিনা ম্যান্মারদা কুইনা লৈবদসু খুদোংচারক্তবদগী ইম্ফালদা থোক্লবা খল্লকপনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, নুমিৎ অদুদা ম্যান্মারদগী পুন্না মখোয় ২৩ থোক্লকখি। হৌজিকসু ম্যান্মারদা মীওই ২০০ হেন্না লৈহৌরি। মদুগী মরক্তা মহাক্কী মমা-মপা অমদি মচননুপীসু য়াওরি। শিরগা শি চংলগা চং হায়দুনা ঐখোয় থোক্লকখিবনি। মোরেদা লৈবা এ আর কেম্প অদু থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা এ আর পার্সোনেলশিংনা তেংনৌপল য়ৌরকপদা ৱা ঙাঙদনবা অমদি অঙাংশিং কপহন্দনবা খঙহল্লকখি। কেম্পর অনিদা মখোয় হাপ্লগা পুথোরকখি। তেংনৌপল মপা য়ৌরকপদা কুকিশিংনা গাড়ী খামখি। কেম্পরগী মিংশেলদগী য়েংখিবদা মপান্দা কুকি নুপা নুপী য়াম্না লৈবা উখি। অদুবু মখোয় খুদোংথিবা য়াওদনা কেম্পর গাড়ী অদুনা পল্লেল তান্না থীল্লকখি। পল্লেল য়ৌরবা মতুং মফমসিদগীদি নশা নশানা চৎখিগদবনি খঙহনখি। পাউ ফাওনরবা মতুং মখোয় মখা তানা ৱাষ্খে হায়স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা চংজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পল্লেল য়ৌনা এ আরনা থীনবিরকপগীদমক্তদি থাগৎলি অদুবু মে ৩ দা এ আরনা এক্সন লৌখৎলল্লবদি ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরক্লমদবসু য়াই। নুমিৎ অদুদা কুকিশিংনা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা হৌগৎলকপদা ব্লেঙ্ক ফায়রদা ওইরবসু তৌরম্লবদি মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা তোক্লম্বসু য়াই অদুবু নুমিৎ অদুদা এ আরনা তূমিন্না লৈথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মখোয়দা থাজবা লৈত্রে। মখোয়গী থৌওং অসিদি তম্পাক্কী লম তান্না পুথোকপীরক্লগা মখোয়না কনবীরকপনি হায়না মনা লৌনিংবগী মওং মাল্লি। অমরোমদা সেন্তর অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ম্যান্মারদা হৌজিক হৌজিক লাঞ্জেন্নদুনা লৈহৌরিবা মীতৈশিংগীদমক অথুবা মতমদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং ম্যান্মার লৈঙাক্তা পাউ ফাওনরগা পায়খৎপীয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।